# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 17-01-2025)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- ৱার ওন ড্রগসকী মতাংদা সরকার অসিনা কৈদৌনুংদসু শংতাইনবা তৌরোই।

২) শকাইরবা অইবা অমসুং সাহিত্য একাদমি এৱার্দি খুমন্থেম প্রকাশ সিংহ ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইম্ফালগী মৈনো লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে।

৩) দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শিন্দুনা মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ ঙসি সেনাপতি মিনি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

৪) মুহামদ সাহ্ নৱাজ মীশিগী জে.এ.সিগা রাজ্য সরকারগা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখ্রে।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে।

------

ড্রগ (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী মাতা খুলদগী মীওই অনি ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা ফাবা ঙমখিবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সেক্যুরিতি ফোর্সপু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

নিংশিংবা য়াই, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মীওই অনিনা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমদা সাপোন কেপ ২০৮ দা হাপ্তুনা পুরকপা ব্রাউন সুগর, দল্লিৎ.ৱাই টেব্লেৎ লাখ ১ লিশিং ৭৩ অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ৩ লিশিং ৩৭,৫০০ ফাগৎপা ঙমখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ৱার ওন ড্রগসকী মতাংদা সরকার অসিনা কৈদৌনুংদসু শংতাইনবা তৌরোই।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গেদা পাঙথোকখিবা ইকোনোমিক রিভাইভল মিসনগী মীফমদা মীয়াম হুপা থোরকখিবা অদুবু মুখ্য মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মিসন অসি সি.এমস লাভলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরাং অসিনা মণিপুরগী শেনমিৎলোন অমসুং মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনবনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা খুদিংমকপু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মখোয়না পীরকপা মোৎশিং সরকারনা লৌগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিগী হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলশিং নুংঙাই য়াইফনা অমদি ৱাৎত-পাদনবগীদমক পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নশি।

প্রকাশ (এল)ঃ শকাইরবা অইবা অমসুং ব্রোদকাষ্টর খুমন্থেম প্রকাশ সিংহ ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইম্ফালগী মৈনো লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯৪ শুখ্রে।

খুমন্থেম প্রকাশ ইং ১৯৫৯ দা ওল ইন্দিয়া রেডিও গৌহাতিদা শন্দোকপা মণিপুরী প্রোগ্রামগীদমক ষ্টাফ আর্টিষ্ট ওইনা চংখি। ইং ১৯৬৪ দা অকাশবানি ইম্ফালদা জোইন্ট তৌরকখি অমদি ইং ১৯৬৯ দা প্রদ্যুর ওইখি। মহাকা মণিপুরী ৱারি ৱাতাইগী থৌরম পুবা অমা ওইনা সাহিত্যগী থৌরম হাপচিনখি।

হৌজিক শন্দোক্লিবা চিঠি পাউখুমগী থৌরম মনি-মালা অসি মহাকা মমিং থোল্লম্বনি। মহাকা মনি শারগা শ্রীমতি চোংথাম কমালানা মালা শাদুনা হৌদোকখি। ফাগিগী থৌরম ইপোম হায়বসিগী মমিং মহাকা থোনখি। খুমন্থেম প্রকাশনা ফিলম ঈশৈ, অকাশবানি ইম্ফালগী থা অসিগী ঈশৈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মমিং লৈরবা ঈশৈ কয়াসু ইরম্মী। ঈশৈশিং অদুগী মনুংদা

নোংমাইথেম পহারিনা শাকপা লাক্লব্রা কুমশিসু বসন্তা, নিংথৌজম নবচন্দ্রনা শাকপা তুম তুম খোংলি উথুমা, য়েনশেম্বম বিলাসিনিনা শকপা অনৌবা চহিগী খুদোল, য়েকপীরো নংগী নুংশি তুরিনা, মোলাংখাদা লোৎতুনা থল্লিবীনচিংবনি।

খুমন্থেম প্রকাশনা হিংলিঙৈ মতমদা সাহিত্য একাদমি নিউ দিল্লিগী একজিক্যুতিভ কমিতিগী মেম্বর, মণিপুর লেঙ্গুএজ এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বর, কলচরেল ফোরম মণিপুর, রাইটরস ফোরম ইম্ফাল অমসুং মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্মী। মহাকা ইবা ৱারী মচা- মংগী ঈশৈগীদমক ১৯৮৬ তা সাহিত্য একাদমি এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। ইং ২০১৯ দা লালহৌবা অমসুং অতৈ শৈরেংশিং হায়বা অসিগীদমক সাহিত্য একাদমি ট্রান্সলেসন এৱার্দ ফংখি। মহাক অঙাংশিংগী সাহিত্যগীদমক বাল সাহিত্য পুরুস্কারসু ফংখি। মহাক ইং ১৯৯৬ জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিগী অহানবা দাইরেক্তর ওইনা থবক্তগী পোখাখি।

খুমন্থেম প্রকাশ অইবা অমা ওইবতা নত্তনা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়ামরুম তৌরম্বা মীশকনি। মহাকা লৈখিদবদা অকাশবানি ইম্ফালগী ষ্টাফশিংনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

খুমন্থেম প্রকাশনা লৈখিদবদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফাল, শৈরেংবশিংগী অপুনবা লুপ (সাল), রাইটরস ফোরম ইম্ফাল, কলচরেল ফোরম মণিপুরনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

জিরি (এল)ঃ জিরি লৌরি খোঙথাং লুপকী মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্য সভাগী সদস্য মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবগা ঙসি উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা জিরিবা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা জিরিবামগী মীয়ামদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

ফোন (এল)ঃ  রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা চলাইবা ৱিমেন হেল্পলাইন নম্বর- **181** অমসুং চাইল্ড হেল্পলাইন নম্বর **1098** মতম খরা চৎনররোই। মসিগী মহুৎতা ৱিমেন হেল্পলাইন নম্বর- **7005776144** অমসুং চাইল্ড হেল্পলাইন নম্বর- **8119918257** অসি ওইনা চৎনরগনি হায়না সরকারগী চেরোল অমনা হায়রি।

সেনাপতি (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শিন্দুনা মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ ঙসি সেনাপতি মিনি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রাং দেভিদ কুং, এস.দি.ও অমসুং দি.এল.ওশিংনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাখি। ঙসি লাকখিবা ৱাকৎশিংগী মনুংদা ওল্ড এজ পেন্সন, এম.জি.এন.আর.ই.জি.এস, ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম, লাইভষ্টোক ইন্সুরেন্সনচিংবা য়াওখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি সরকার অসিনা মীয়াম অমসুং সরকারগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবনি। মসিনা রাজ্য অসিগী নাগরিকশিং সরকারগী ওফিসিয়েলশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নদুনা মখোয়গী পেন্দবশিং ফোংদোকপগী খুদোংচাবা পীরি। অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোকপা অসিনা থবক থৌরমশিং ত্রান্সপরেন্সি লৈহনবতা নত্তনা লৈঙাক সাসনদসু হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি হায়না রাং দেভিদনা ফোংদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি অমদি ষ্টোল ২০ হেন্না হাংদোকখি। থা খুদিংগী অহুমসুবা ইরাই নুমিৎপু জিলা অসিগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি। করিগুম্বা ছুতি তারগনা অহুমসুবা শগোলশেন নুমিৎতা ওইনা পাঙথোক্কনি।

কাংপোকপী (এল)ঃ  লাক্কদৌরিবা ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধরিনা সভাপতি ওইনা

দি.এল.ওশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দি.সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা বিভাগশিংনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা গনতন্ত্র দিবস পালন জিলা অসিদা মপুং ফানা পাঙথোকবা হোৎনবদা ওফিসিয়েলশিংনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খঙহনখি।

জেএসি (এল)ঃ কাইরং তেরা মখোঙদগী লৈখিদ্রবা মুহামদ সাহ্ নৱাজ মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সি, মৈতৈ পাঙল অমদি পাঙল সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিংনা রাজ্য সরকারগা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখ্রে হায়রি।

ৱারেপশিংগী মনুংদা মুহামদ সাহ্ নৱাজ খানগী মীশি সরকারনা মরিক চুমা থিজিনবগা লোয়ননা মসিগী চার্জসিট থা অহুমগী মনুংদা পীখৎপা, সরকারনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং মখা তানা থোক্তনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা, কাংলুপকী ওইবা ইরাং থোকপা য়াবা ৱাফমশিং সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপদা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎপা, জাতি কাংলুপ অনিগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমসুং ভাব তামিন্ননবা সি.এস.ওশিংগা সরকারনা মীফম পাঙথোকপা, লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী ইমুং মনুংদা সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবা হায়না ৱারেপখি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ রোংমৈ বেপটিষ্ট চর্চেস কাউন্সিলগী খৃষ্টান ইজ্কেসন এন্দ লিটরেরি দিপার্টমেন্টনা শিনবা মরিসুবা চিলদ্রেন ফেষ্টিভেল ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়ম এপোলো গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। নুমিৎ মরিনি চথুগদবা ফেষ্টিভেল অসিগী হিরমদি চিলদ্রেন ফোর খ্রাইষ্ট, নো চাইল্ড লেফট আউট হায়বসিনি। ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুর অমসুং অসামদা লৈবা রোংমৈ বেপটিষ্ট চর্চ কাউন্সিলগী মখাদা চর্চ ১১২ দগী লাকপা অঙাং লিশিং ১০ রোমা শরুক য়ারি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা তমেংলোং জিলাদগী লাকপা অঙাং লিশিং অমরোমনা হেলিলুয়াহ কোরস শাকখি।

সিআরপিএফ (এল)ঃ  সি.আর.পি.এফকী ১০৯ শুবা বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা ফার্ষ্ট এইদ ত্রেনিং কোর্স অমা পাঙথোকখ্রে। আই.জি. মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরনা রেড ক্রোস সোসাইতিগা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথখিবা ত্রেনিং কোর্স অদু ইম্ফালগী রাজ ভবনদা লৈবা ১০৯ শুবা বত্তাল্লিয়নগী পার্সোনেলশিংগী ওইনা চথখিবনি। সি.আর.পি.এফ পার্সোনেল ২৫ রোম শরুক য়াখিবা কোর্স অদুগী মরুওইবা পান্দমদি- সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিংবু ফার্ষ্ট এইদগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি। লোইশিনবগী থৌরমদা বত্তাল্লিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট শরুক য়াখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ  ৱাহেংবম আনন্দ সিংহবু মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে। মসিগী মতাংদা ইন্দিয়ান য়ুথ কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট উদয় ভানু চিবনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

দোনেসন (এল)ঃ  হেল্পিং হেন্দস ফোর পিপল মণিপুরগী ফ্রি ব্লড ফোর চিলদ্রেন স্কিমবু শৌগৎতুনা মীয়ামা ঈ দান তৌরকপা লেপত্রি। থা অসিগী ১৪ দা হৌদোকখিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সেসন জজ রিনা সর্তোনা ঈ দান তৌরকখি।

আরপিআই (এল)ঃ  রিপাব্লিকান পার্তি ওফ ইন্দিয়া (অথবালে)বু  মণিপুর ষ্টেট রিজনেল পার্তি ওইনা ই.সি.আইনা শকখঙবদা দল অসিগী কিষান মোর্চানা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

স্কোলারসিপ (এল)ঃ  নেসনেল স্কোলারসিপ পোর্তেলদা তোঙান তোঙানবা সেন্ত্রেল সেক্তর স্কোলারসিপকী এপ্লিকেসন থাজিনবগী মতম শাংদোক্লে হায়রি।

রাষ্ট্রপতি ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে। নিউ দিল্লিদা লৈবা রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাষ্ট্রপতিনা ৱার্ল্ড চেস চেম্পিয়ন দি. গুকেস, পেরিস ওলিম্পিক্তা তকমান অনি ফংখ্রবা মানু

ভাকর, ভারত নুপা হোক্কি টিমগী কেপ্তেন হরমনপ্রিত সিংহ অমসুং পেরিস পেরালিম্পিক্সতা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবা প্রবিন কুমারদা লেমজনিঙাই ওইরবা মেজর ধ্যানচান্দ খেল রতা এৱার্দ খুৎশিন্নখি।

মনা অসি হৌখিবা চহি মরিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা থোইদোক হেন্‌ দাকপা হৈথোইশিং শিংথোইবা উৎখিবা শান্নরোইশিংদা পীবনি। পেরা সুত্তিং কোচ শুবাস রানা, সুত্তিংগী কোচ দিপালি দেশ পান্দে, হোক্কিগী কোচ সন্দিপ সংৱান, বেদমিন্টনগী কোচ এস. মুরলিধরন অমসুং ফুটবোল কোচ অরমান্দো একনেলো কোলাকোদা দ্রোনাচার্জ্যা এৱার্দ খুৎশিন্নখি। শান্নরোই ৩২ দা আর্জ্‌ন এৱার্দ পীখি। ভেটরান এথলেট সুচা সিংহ অমসুং ভেটরান পেরা স্বিম্মর মুরলি কান্ট পেটকরদা আর্জ্‌ন এৱার্দ (লাইফ টাইম) পীখি।

খেল্লো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিতিদা মকোক তাখিবা চান্দিগর য়ুনিভর্সিতিদা মৌলানা অবদুল কলাম অজাদ ত্রোফি পীখি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা অমসুং হোৎনজমন্না লৈবাক অসিগী ওতোমোবিলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা পুরক্লি।

নিউ দিল্লিদা লৈবা ভারত মন্দাপ্পমদা নুমিৎ ৬ নি চথ্থগদবা ভারত মোবিলিতি গ্লোবেল এক্সপো ২০২৫ হৌদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- বিক্সিত ভারত ওইনবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা ওতোমোবিলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা অমসুং পাকথোক চাউথোরক্লি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি অসিদা লৈবাক অসিগী ওতো ইন্দষ্ট্রিদা চাদা ১২ হেনগৎখি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী অনৌবা নেসনেল লোজিষ্টিক পোলিসিনা লৈবাক অসিবু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাংদমবা ঙম্বা লোজিষ্টিক লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবক্তি মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন লাইথোকহনবনি।  হৌখিবা চহি খরা অসিদা ইলেক্ত্রিক্কী গাড়ি শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি  ১০ অসিদা ইলেক্ত্রিক্কী গাড়ি শিজিন্নবা শরুক ৬৪০ হেনগৎখি। মমাং চহি খক্তদা ইলেক্তিক্স্ট গাড়ি লাখ ১৬ লিশিং ৮০ য়োনখি।

স্পেচ ঃ   কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- ইং ২০৩৫ ফাওবদা ভারতনা মশাগী ওইবা স্পেচ ষ্টেসন শারগনি। ষ্টেসন অসিগী মমিং ইন্দিয়ান স্পেচ ষ্টেসন হায়না কৌগনি অমদি প্রোজেক্ট অসি ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না চলাইগনি।

হিমাচল প্রদেশকী সিম্লাদা লৈবা মেতিওরোলোজিকেল সেন্তরদা চৎপদা ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবনি। ডাঃ জিতেন্দ্রনা হায়- প্রোজেক্ট অসি হান্নদি ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লম্বনি। অদুবু গগনয়ান ক্রু স্পেচ ফ্লাইট মিসন অমসুং কোবিদ নাইন্তিন লাইচৎনা থেংথহনখিবদগী ইং ২০৩৫ ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থমখিবনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট(এল)ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্না বি.কে.সি.সি. বামোনকম্পুবু রন ৭৬ তা থোইখ্রে।

হোকি(এল)ঃ   ৱাই.সি.সি.আই.সি কোন্থা অহল্লুপনা শিন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা চথরিবা ১২ শুবা য়ুমাম রাজমণি মেমোরিএল ইনভাইটেসন য়ু-ফিফটিন বোইস এন্দ ৱিমেন্স ওপন সভেন এ সাইট কেস প্রাইজ হোকি টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মৈরা বাসিখোংনা ৱাই.সি.সি.আই.সি টিম-এ কোন্থা অহল্লুপ্পু পাঞ্জল ৩২-০ দা, পি.দব্লিউ.সি তাওবুংখোকা বি.ঐচ. বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৮-২ দা, হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা ফাম থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ১১-১ দা থোইখি।

বোদি (এল)ঃ করনাটক্কী বেলাগাবিদা পাঙথোকখিবা ১৬ শুবা সেনিয়র বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপকী নুপীগী ওপন কেটাগোরিদা মণিপুরগী থোকচোম সঙ্গিতানা শেঞ্জেংগী তকমান ফালে।

বোল বেদমিন্টন (এল)ঃ নাগপুরদা চথরিবা ৩৯ শুবা জ্নিয়র নেসনেল বোল মেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপতা ঙসি মণিপুরনা জম্মু কাশ্মীরবু পোইন্ট ৩৫-৩৩, ৩৫-৩১ দা থোইখ্রে।
ফূটবোল(এল)ঃ  পাময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬ শুবা এস.ঐচ. মনি শর্ম্মা মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী মেটচ অমদা আই.এম.এ ফুটবোল একাদমিনা কে.কে.ৱাই.য়ুবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

ফূটবোল(এল)ঃ ৪ শুবা মাষ্টর ডাঃ মোইরাংথেম মনাউতোন সিংহ এন্দ এম. চন্দ্রশখি দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ভি.এফ.সিনা সন্দে এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।
ফুটবোল (এল)ঃ  ৪৪ শুবা সি.এস.দি.এস.এ. স্পের্টিস মিটকী ঙসি চকপিকারোং প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চান্দেল খৃষ্টান ৱাই.সিনা খুবুং খুল্লেন এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

ফূটবোল(এল)ঃ এম.পি.এ. থৌনাওজমনা শিনদুনা থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা প্রিক্কাটর ফাইনেল মেটচশিংদা এফ.সি লমজাউ, পুমলেন এফ.সি তোকপা চীং মায় পাকখ্রে।

ফূটবোল(এল)ঃ হাওরৈবী নোদেল স্তার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা পুন্না শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা প্রেমিকা এফ.সি খুরাই অমদি এন.সি.পি ময়াংইম্ফাল পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে। অনিসুবা মেটচতা আই.টি.এফ.সি উচিৱানা শমুরৌ এস.এফ.এসপু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

------